# ত্রেদিসনেল এন্দ তেম্পোরেরি শুমাং লিলা ৱার্কসোপ -২০১৮



তাখিদবা কুইরে, মৈতৈ ক্কাক হায়রগা খঙনবা লমদম অসিদা চাক্তারম্বা উচেক মখল অসিগী খোঞ্জেলসু, তাখিদ্রে, উখিদ্রে পেনা ফমশক, মহারাজা চন্দ্রক্রিটিনা জিল্লা দরবার চৎপনচিংবা ইতিহাসকা শগোন্নদুনা লাক্লবা ৱারি শিংবুল কয়ানচিংবা মীরোল কয়াদা পাউথাংওইনা পাউদমলম্বা খোঙজোম পর্ব গী ধোলোক মখোল অমদি শৈশক, লমদম অসিগী কলচর গী অওনবা কয়া পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াম্বা মোইরাং পর্ব, ৱারি লিবা, ৱারি হায়বা থীবা গোষ্টা, মানু ভজন নচিংবা কয়া অমনা তপ্পা তপ্পা মাংশিল্লক্কুনা ৱারিতা ঙসিদি ৱারিতা ওইহৌরে।

অশুম্না লমদম অসিদগী নট সঙক্রিটন অমদি লাই হরাওবা অসিনা মাংখিবা মতমদা লমদম অসিগী কলচর ত্রেদিসনগী মরাইবক্লা কমদৌবা ?

লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা মালেমদা লমদম অসিবু শক্তাক্লি হায়বা ৱাফম অসি খুদিংমক্লা য়ান্নরবা ৱাফমনি। অদুবু, কলচর দা লাইনিং লৌদুনা কখোক্তুনাা লাক্লবা মী খরনা অৱা-অনা থীদনা কখোক্তুনা হোৎনজরিবা অসিদা মরী লৈনবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক চোংথোরক্লিবা ঙসিগী লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চংবীবগী তঙাই ফদবা লৈরি।

অসিগুম্বা লুরবা তাঙ্কক অসিদা লমদম অসিগী কলচরবু মতৌ করম্না য়োকখৎনবা ঙমগদগে খন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা লুচিংবা অমা ওইরিবা পদ্মশী নাবা ৱারেপ্পা অমদি শুমাং লিলাদা সঙ্গিট নাতক একাদেমী এৱার্দি সৌগ্রাকপম হেমন্ত অনীনা লুচিংদুনা থিয়েটর মিরর অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিল অনীনা খুৎশম্নদুনা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শংলেন্দা পাঙথোক্লিবা নুমিৎ ৩০ নিগী ওইবা ত্রেদিসনেল অমদি কনটেম্পোরেরি শুমাং লিলাদা য়ুমফম ওইদুনা হৌখিবা জুন গী তারি ১৫ দগী হৌখিবা ৱার্কসোপ নবা ৱারেপ্পা না প্রোজেক্ট দাইরেক্টর ওইনা অমদি শুমাং লিলা কাউন্সিলগী এস হেমন্ত না কেম্প দাইরেক্টর ওইদুনা পাঙথোক্লিবা থিয়েটর




ৱার্কসোপ অসিদা মীওই ৬০ হেনবনা শরুক য়ারি।

ৱার্কসোপ অমদি লমদম অসিগী লম কয়াদা কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনরিবা, গোশে মৈতৈ, ব্রজমোহোন,



বুধি, এন ইমোচা, কেএসঐচ জুগিন্দ্রো, রিবেন, হিয়াং দিবেন নচিংবা শক্লাইরবশিংনা শরুক য়ারি।

খাদিগী নিলবাবু, আই.সি.এম গী চিয়রমেন, কো-ওপরেটিব য়ুনিয়ন গী প্রসিদেন্ট তোমপিশক নচিংবনা, আর্টিষ্ট অমা ওইনা তঙাই ফদনা লৈত্তবা য়াদবা কো-ওপরেসনগী জ্ঞান পীদুনা নৈনরি।

লমদম অসিদা হৌগৎলক্লিবা কলাবু পামজবা লাক্কদবা জেনরেসনগী মীওইশিংদা অসিগুম্লবা কালাগী লৌশিং-জ্ঞান অসি শিন্নরম্নবগী পান্দমদা লম কয়াদা শক্লাইরবশিং অসিনা চহি অমগী মনুংদা হায়রিবা ৱার্কসোপ পাঙথোক্লিবা থা অসিমদি কৎথোক্কুনা লাক্লি।

ইং শোক ১৯৯৩ দগী পাঙথোক্কুনা লাক্লবা ৱার্কসোপ অসিদা শরুক য়াদুনা মশক থোক্লা মীয়াম্না শকখঙনবা মায় পাক্লবা মীওইশিং ওইখ্রবা মীওইচা কয়াগী মনুংদা ঙসি ঙসিমক পাঙথোক্লিবা ৱার্কসোপ অসিগী কেম্প দাইরেক্টর ওইনা শরুক য়ারিবা সঙ্গিৎ নাতক একাদেমী এৱার্দি এস হেমন্ত সু অমা ওইরি।



অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ তা লম কয়াগী শক্লাইরবা শক্লাইরবীঃ- থৌরানিশাবী য়ুমলেম্বম গম্ভিনি, সনখ্যা ইবোতোম্বী, রতন থিয়াম, থানিল, খাইদেম বিহারি, নিংথেমজাও লঙথেল থোইনু, লমজাও তোম্বা, বিরজিৎ ঙাঙোম্বনচিংবা লমদম অসিগীদা নত্তনা মালেমদা মমিং চৎলবা শক্লাইরবা মীওই কয়াগী লমজিং লমতাক মখাদা পাঙথোকখি থিয়েটর মিরর অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিল অনীনা অমত্তা ওইনা মায় পাক্লা চত্থরক্লিবা ৱার্কসোপ অসিনা তুং কোইনা কলচরগী ওইবা ইন্সষ্টিট্যুসন অমা ওইহৌননবগী পান্দমদা চংশিনলক্লিবা অসিনা চহি ২৪ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লিশাং শিৎনা চত্থরকখিবা ৱার্কসোপ অসিনা পুথোরককিবা মশক নাইরবা কয়ানা চংশিল্লক্লিবা অসিগী পান্দম ফংবা ঙম্বগা লোয়ননা, নোংমা নোংমগী মাংশনলক্লিবা লমদম অসিগী ফজখ্রবা কলচর গী মচাকশিং অসিবু মুৎখিদনবা, মাংখিদনবা হোৎনবদা কলচরদা মীৎয়েং চংবীদগুম উরিবা অসিগী লৈঙাক অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চংবীদুনা লমদম অসিগী ফজখ্রবা কলচরগী মচাকশিং অসিবু মাংখিদনবা হোৎনবীবগী মতম, থেংমনলবনি !

## ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

### ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট
### কেৱাইদিসি কৈকোলনা লিসবোন লুৱাংশঙবম ১-০দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ঃ

ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চত্থরক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী লীগ মেটচ অমদা কেৱাইদিসি কৈকোলনা লিসবোন লুৱাংশঙবমবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



শান্নখিবা মেটচ অসিগী শান্নবা হৌরকপগী অহুমশুবা মিনটতা লিসবোনগী অজিৎনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ফাউল অমা তৌরুবদগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবগা লোয়ননা কৈকোলগী ফেবরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

জেকিনা স্পোট কিক অদু শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তাবা গোল চান্নবা ঙমদবদগী কৈকোলনা ১-০ দা অহানবা হাল্ফ লিদ তৌখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা টিম অনীমক্কী মাইকৈদগী গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী কৈকোলনা ১-০ দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অসিদা কৈকোলগী সোমোকান্ত শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা ১৪ এফসি তেনদোংয়ান অমসুং এসদিৱাইসি খোঙহাম্পাৎ গোল অমত্তা চান্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না গোল ওন্থোকপা য়াবা তাঞ্জা ফঙলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মখিদে। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা খোঙহাম্পাৎকী ৱাই জোন রেফরিনা শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ লৈরোই। জুলাই ২দা গ্রুপ-সিগী লীগ মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেটচতা মহারাবি এফসি অমসুং কাইরং লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা এদব্লিউএফসি অৱাং ৱাবগাই অমসুং নিলাকুথি অনীনা শান্নরগনি।

### ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ কাং টুর্নামেন্ট
### শিংজমৈনা থাংমৈবন্দ-বি মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ঃ

থাংমৈবন্দগী ইবুধৌ লাইজিং নিংথৌ শঙলেন্দা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কাংখুৎনা শীন্দুনা চত্থরিবা ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কেন্দ্রৱাইস লীগ কম নোক আওত কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখুৎনা থাংমৈবন্দ-বি কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৪-২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১০না গ্রুপ-মরি থোক্তুনা শরুক য়ারকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদা থাংমৈবন্দ-বিনা পাঞ্জল ১১ কাপ্পা ঙমখি। অদুগা শিংজমৈনা পাঞ্জল ৮ কাপখিবগা লোয়ননা থাংমৈবন্দ-বি টিমনা পাঞ্জল ৩ লীদ তৌদুনা চৎখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা থাংমৈবন্দনা পাঞ্জল ৯ লৌবা ঙমখি। অদুগা শিংজমৈনা পাঞ্জল ১৬ লৌদুনা থাংমৈবন্দবু ২৪-২০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মায় পাকখিবা শিংজমৈ কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি কুমারজিৎ, কুমার শর্ম্মা, টিঐচ লালহরি, আর কে গোজেন, এল নবাকান্ত অমসুং এস সরত নি।

থাংমৈবন্দ-বি দা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি শিনাম রুপাচন্দ্র, পিঐচ ব্রজামানি শর্ম্মা, কে জয়কুমার, টি ঐচব্রজামানি, সোইবম বিরকুমার, ঐচ কুমার অমসুং রাজচন্দ্র নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ জুলাই ২গী পুং ১১.৩০ দা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

### ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি -২০ ত্রোফি ২০১৮
### ৱাইদব্লিউসি, এসএসয়ু অমসুং মোদেল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ঃ

লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চত্থরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি-২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল, এসএসয়ু শিংজমৈ অমসুং মোদেল ক্লব চিংঙামখা মায় পাকখ্রে।



ঙসিগী অহানবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমসুং পিএসসি খুয়াথোং অনীনা শান্নখিবদা ৱাই দব্লিউ সি না পিএসসিবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পিএসসিনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা খুয়াথোংগী বেটচমেনশিংনা ওভর ১৮ শান্নবগী মনুংদা ওভর ১৬.৩ দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৪৫ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসদা বোল্লিং তৌখিবা ৱাইদব্লিউসি গী সুবাসচন্দ্রনা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা বোল্লর পিয়োকুমারনা ৱিকেট ৩, বিশ্বাসনা ৱিকেট ২ অমসুং বিংসননা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

অহানবা ইন্নিংসকী পিএসসিগী বেট্টিং তৌখিবগী পাউখুমদা লংথবালগী বেটচমেন অহানবা ওপন্নর অনী প্রফোলোমানি অমসুং প্রিয়োকুমারনা আউত ওইদবীদা ওভর ৬.১ দা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমদুনা খুয়াথোং টিমবু ৱিকেট ১০দা মায়থিবা পীখি।

প্রফোলোমানিনা বোল ১৭তা রন ৩৪ অদুগা প্রিয়োকুমারনা বোল ২০ দা রন ১০ লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এসএসয়ু শিংজমৈনা টিসিএমদিসি থোংজুবু রন ৮দা মায়থিবা পীখি।

থোংজু টিমনা তোচ ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং লৌখি। অহানবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবা এসএসয়ুনা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৮৮ লৌবা ঙমখি।

অদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা টিসিএমদিসিগী বেটচমেননা অপীবা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৮০ খক লৌদুনা মায়থিখি।

মেটচ অসিদা এসএসয়ুগী বোল্লর অবিসেক্না ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মোদেল ক্লব চিংঙামখানা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৭তা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ত্রাউনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৮৪ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা মোদেল ক্লবকী বেটচমেননা ওভর ১২.৫ তা ৱিকেট ৩ তুরগা তারগেট য়ৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখিবনি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী অরিয়াননা ৱিকেট ৪ লৌখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিদা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফঙবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অহুম শান্নগনি। অহানবা মেটচতা ফোর্স খেক্কিগাও অমসুং য়ুসিসি থেংনগনি।

অনীশুবা মেটচতা পিসিসি ময়াইকোইবী অমসুং সিদিসি শগোলবন্দ শান্নগনি। অহুমশুবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ইএসয়ু ৱাংখে লম্বা তৌনরগনি।

### সব-জুনিয়র নুপামচাগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ৩০ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চহি অসিগী জুলাই ৮দগী হৌদুনা ২২শুবা সব-জুনিয়র বোইস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ইন্ট্রি ফ্রিনা লুপা লিশিং ১ ওইগনি। অদুগা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা জুলাই ৪ ফাওবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী শরুক য়াগদবা ক্লবশিংদি মেনেজর মিটিংনা জুলাই ৫গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা মপাল কাংজেবুংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি।

মখা তানা ফোঙদোরকপদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা ২০০৪ গী জনুৱারি ১ দগী ২০০৫ কী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি।

অদুগা শান্নরোইশিংনা ফোর্ম থাজিনলকপা মতমদা অনৌবা পাসপোট ফোটো, অধর কার্দ, দের্থ ওফ বার্থ সার্টিফিকেট অমসুং ক্লবতুগা কন্ত্রেক্ট তৌনখিবগী দোক্যুমেন্টশিং লোয়নরক্কদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*